# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

২) কেন্দ্রগী ফিসরিজ মন্ত্রি রাজিভ রঞ্জন সিংহনা ঙসি ত্রিপুরাগী কাইলাসহরদা ইন্তিগ্রেতেদ এক্বা পার্ক অমগী যাত্রা হুনগনি।

অমসুং

৩) তেরোরিষ্টকী মায়োক্তা ভারতনা লৌরিবা ফিরেপকী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা খঙহন্নবগীদমক সরকারনা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎ কাংবু থাগদৌরি।

------

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্নবগী থবক চথুবদা মী অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা পুং ২৪ দা থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লৈরোংথেল পিত্রদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা মরু অহুম য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমগা কোন্ননা ফারে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খাবৈশোইদা লৈবা সভেন এম.আরগী গেট মনাক্তগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অসি কে.ৱাই.কে.এলগী অনৌবা কেদরশিং লৌবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুম্বোং বজারদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ু.এন.এল.এফ (পাম্বৈ)গী মীওই অমা ফাখি। ফারবা মীওই অসি নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি।

থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং শোরোকখায়বম লৈরক্তগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু ফারে। মহাকসু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী সেতুপুর চীংখোঙদা থি হুম্বগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- এস.এম.জি করবাইন অনি, দি.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নাইন এম.এমগী মরু ২০, পোকখায়বা য়াবা পোৎলমনচিংবা য়াওরি।

ককচিং জিলাগী পল্লেলদগী মীওই অমসু মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাখ ৩৭ রোমগী মমল ওইগদবা ৱাহোং মতু কিলোগ্রাম ১৪২ গা কোন্ননা ফারে।

ত্রিপুরা ঃ কেন্দ্রগী ফিসরিজ, এনিমেল হজবেন্দরি অমসুং দেরিয়িং মন্ত্রি রাজিভ রঞ্জন সিংহনা ঙসি ত্রিপুরাগী কাইলাসহরদা ইন্তিগ্রেতেদ এক্বা পার্ক অমা শানবগীদমক যাত্রা হুনগনি। মন্ত্রিনা আগরতালাদা ঙাগী মেলা অমসু হৌদোক্কনি।

প্রধান মন্ত্রি মতস্য সম্পদা য়োজনাগী মখাদা লুপা কোতি ৪২ লাখ ৪০ চংনা এক্বা পার্ক অসি শেমগৎকদবনি। মসিদা ঙা মচা লৌবা অমসুং কোল্ড ষ্টোরেজদা ঙা মচিঞ্জাক থম্বা, ঙা মচিঞ্জাক শেম শাবগী ত্রেনিং অমসুং য়োনবগী থবক চখগনি। থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী ফিসরিজ অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি রাজ্য মন্ত্রি জোর্জ কুরিয়ানসু য়াওগনি।

শ্রী রাজিভ রঞ্জন সিংহনা ঙরাংসু আগরতালাগী বামুতিয়াদা ফোরতি টি.এল.পি.দি মিল্ক প্লান্ট দেরি যুনিত টু মীয়ামদা খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- মালেমগী ওইনা ভারতনা শঙ্গোম পুথোকপদা খ্বাইদগী মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মঙলান মঙফাওনহনবদা  যুনিত অসিনা চাউনা মতেং ওইরগনি। মহাকা হায়- ত্রিপুরা অসি এনিমেল হজবেন্দরি অমসুং ফিসরিগী সেক্তরশিংদা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা রাজ্য অমা ওইরি। ত্রিপুরাবু শঙ্গোম অমদি ঙাগী পোত্থোকশিং পুথোকপদা মীপাল তাংদবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা কেন্দ্র সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পুমমক পাংগনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

দেলিগেসন ঃ    ওপরেসন সিন্দুরগী মতুংদা পাকিস্তান্না শৌগৎপা তেরোরিষ্টকী মায়োক্তা ভারতনা হৌজিক লৌরিবা ফিরেপ অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা খঙহন্নবগীদমক সরকারনা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎ কাংবু ৭ থাগদৌরি।

মখোয়না থা অসি লোইশিল্লকপদা য়ু.এন. সেক্যুরিতি কাউন্সিলগী সদস্য লৈবাকশিং য়াওনা মসিগী মরুওইবা মপাং লৈবাকশিংদা চৎকনি। মীহুৎ কাংবুশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী এম.পিশিং, রাজনীতিগী শক াইরবা মীওইশিং অমদি শকাইরবা দিপ্লোমেট কয়া য়াওগনি।

দল পুমমক্কী ওইবা মীহুৎ কাংবু অসিনা মখল খুদিংমক্কী তেরোরিজম থেংননবা ভারতকী জাতিগী ওইবা ৱারেপ অদু পুথোক্তুনা খঙহনগনি। মীহুৎ কাংবু অসিনা মালেমদা ভারতনা তেরোরিজমবু কৈদৌঙৈদা লেমা থাবা তৌরোই হায়বা পাউজেল শন্দোক্কনি। বি.জে.পিগী রবি শঙ্কর প্রসাদ অমসুং বাইজেন্ট পান্দা, কংগ্রেসকী শশি থারুর, জে.দি.য়ুগী শঞ্জয় কুমার ঝা, দি.এম.কেগী কানিমোহজি করুনানিধি, এন.সি.পিগী সুপ্রিয়া সুলে অমসুং শিব সেনাগী শ্রীকান্ট একনাথ সিন্দেনা মীহুৎ কাংবু ৭ অদু লুচিংগনি।

অমিত ঃ  কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ভারতনা তেরোরিষ্টশিংগী এটেকশিংগী চপ চাবা পাউখুম পীদুনা মালেমদা অঙকপা পোকহনখ্রে।

গান্ধিনাগর ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মখাদা লুপা কোতি ৭০০ হেন্না চংবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং হৌদোক্লবা তুংদা গুজরাতকী গান্ধিনাগরদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীতিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা ভারত লান্মীনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা থবকশিং অদু শিংথাখি। ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা শ্রী সাহনা হায়- পহলগাম টেরর এটেক অদু পাকিস্তানদা লৈবা জৈস-ই-মুহমদ অমসুং লাস্কর-ই-তোইবগুম্বা আইন্না য়াদবা তেরোরিষ্টশিংগী কেম্পশিং মাংহন তাকহন্নবগীদমক পায়খৎখিবনি।

এরেষ্ট ঃ  ২০২৩ দা মহারাষ্ট্রগী পুনেদা আই.ই.দি পোকখায়হনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা আইন্না থিংখ্রবা আই.এস.আই.এসকী তেরোরিষ্ট কাংবুগী মেম্বরশিংনি হায়বা মীওই অনি নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না ফারে।

এন.আই.এগী চেরোল অমদা হায়- মীওই অনি অদু ব্যুরো ওফ ইম্মিগ্রেসন্না মুম্বাই ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী টর্মিনেল টুদগী ফাবনি। মখোয় অনি মতম খরা লোৎতুনা লৈরুরবা তুংদা ইন্দোনেসিয়াগী জাকারতাদগী ভারত্তা হল্লকখিবনি। এন.আই.এনা মখা তানা হায়- ফারবা মীওই অনি অদুদা হৌখিবা চহি অনিরোম খরা হেন্না ফানবগীদমক্তা তান্নদুনা লাক্লিবা মীওইশিংনি অমসুং মুম্বাইগী এন.আই.এগী স্পেসিয়েল কোর্টনা মখোয়গী মথক্তা জামিন পীবা য়াদবা ৱারেন্ট ইসু তৌখ্রবনি।

মনোহরলাল ঃ  থা অসিগী ১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী ইনর্জি মন্ত্রিশিংগী মীফমদা কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রি মনোহরলাল শরুক য়াগনি।

মীফম অদুদা মহাকা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী ইনর্জি মন্ত্রিশিংগা ইনর্জি সেক্যুরিতি অমদি মসিগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারেপ কয়া লৌমিন্নগনি। পৱার মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়- মীফম অদুদা ভারতনা মৈ পুথোকপদা চাদা ৯০ হেনগৎখিবা, রিন্যুএবল ইনর্জিগী লমদা মালেমগী মাংজিল থারিবা, গ্রিন হাইড্রোজেন অমদি বাইও ফ্যুএল য়াওনা হৌখিবা চহি ১০ অসিদা ভারতনা পায়খৎলিবা থবক কয়া পনদুনা ৱা ঙাংগনি। মসিগী মথক্তা ইনর্জিগী লমদা পুথোক্লিবা ইনোভেসনশিংগী মতাংদসু ৱা ঙাংগনি।

কুমশি চহিগী ব্রিক্সকী ইনর্জি মন্ত্রিশিংগী মীফম অসিগী থিমদি- ইনক্লুসিভ অমসুং সষ্টেনেবল গ্লোবেল গভর্নেন্সকীদমক ইম্পৱারিং গ্লোবেল সাউথ কোওপরেসন হায়বসিনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রিভিন্যু দিপার্টমেন্টনা পায়শিনবা উমংগী লমশিং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্ননবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শিল্লোং সিলচর এক্সপ্রেস ৱেনা নোর্থ ইষ্ট সি পোর্টকা শমহল্লগনি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মৈতৈশিং হিংনা হলহনলোইশি হায়রুবা কুকি লুচিংবা অমা অৱাফমদা তাগদৌরি, পাউজাখুপ গুইতেগী মথক্তা এফ.আই.আর লৌখৎখ্রে, অৱাং নোংপোক পুম্বদা থিবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদা  চৎলিবা চহি অসিদা দেঙ্গি কেস ৬০ থেংনরে, অমা লৈখিদ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোংদা সিভিল দিফেন্স মোক ড্রিল পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর

মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ক্বাক্তাগী সেরিকলচর ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটকী কেম্পসতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা মহৈরোই ৮ মায় পাক্লে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

আই.জি.এ.আর হেদক্বাটরসতা এন.সি.বিনা শিন্দুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা এন.দি.পি.এস এক্টকী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নেসনেল গেমস ২০২৭ অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট পুমমক্তসু পাঙথোক্কনি হায়বা মেঘালায়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টরগী ৱাফমা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা শিরুই লিলি মরাথোনগী টাইটল নাগালেন্দগী বেদে টিমেরোনা অনিরকসুবা ওইনা লৌখ্রে হায়বা পাউ অমা হেদলাইন্স তৌদুনা ফোংলি।

------